## রাজ্য সভা এদজোর্ন তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২০ (এজেন্সী): ওপোজিসননা স্নুপিং ইস্যু খন্ননব বিজনেস অৱর সস্পেন্দ তৌনবা তকশিন্দুনা লেপ্তুনা স্লোগান লাউবদগী রাজ সভা হঞ্জিন হঞ্জিন এদজোর্ন তৌখ্রে। রাজ সভাগী দেপ্যুটি চ্যেরমেন হরিভান্সনা হাউসতা হায়খি, নুংথিল পূং ১দগী কোভিদ ইস্যু খন্নবগী ৱাফম লীদর খূদিংমক্না য়ারে।

মমাঙদা চ্যেরমেন এম ভেনক্যা নাইদুনা তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়াগী নোটিস ১৫ লৈখি হায়খি। ওপোজিসনগী ওইনদি পার্লিয়া-মেন্টকী হাউস অনীমক্তা স্নুপিং ইস্যু পুখৎনবা পূন্না ৱারেপ লৌমিন্নখি। হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ মফম লৌথোক্কদবনি হায়না কোংগ্রেসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা তকশিনখি অমসুং হাউস অনীমক্তা ইস্যু অসি পুখৎকনি হায়খি।

## এন আই এনা থীজিনবা হৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, জুলাই ২০ (এজেন্সী): বাংলাদেশকী নুপী অমা বেঙ্গলুরুদা গেং রেপ তৌবগী কেস অমগা মরী লৈননা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না থীজিনবা হৌখ্রে। এন আই এনা হ্যুমেন ত্রাফিকিং অমসুং ইলিগেল বোর্দর ক্রোসিংগা মরী লৈননা তোঙানবা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি। মমাঙদা ইষ্ট দিভিজন পুলিসনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই ১৩ ফাখি অমসুং জুলাই ৬তা কেস অসিদা লামায় ১,০০০ হেনবা চাজ সিট সবমিট তৌখি।

গেং-রেপকী থৌদোক অদুবু থীজিনবদা থেংনখিবা বাংলাদেশকী মীওই চেন্নবা হ্যুমেন ত্রাফিক্কিংগী ইস্যু অসিবু হকচিন্না লৌরদুনা সেন্ট্রল হোম মিনিষ্ট্রিনা কেস অসি মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা এন আই এদা শিন্নখিবনি। এন আই এনা হীরম অসিগা মরী লৈননা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি অমসুং থীজিনবা হৌখি। ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরক্কুনা মীয়াম্না কেস অদু খঙনরবা মতুং শুপ্পগী চয়োল মঙাগী মনুংদা পুলিসনা লামায় ১.০১৯ গী চার্জসিট সবমিট তৌখি।

## এক্টিভিষ্ট হাৎপগা মরী লৈননা ৩ ফারে

বেঙ্গলুরু, জুলাই ২০ (এজেন্সী): থা অসিগী ১৬তা বেঙ্গলুরুগী চিদাই ওইরপ্পা মফম অমদা আর টি আই এক্টিভিষ্ট অমা তমথিনা হাৎখিবগা মরী লৈননা কর্নাটকা পুলিসনা মীওই অহুম ফারে। এক্যুজশিং অদু মশাগী চহী ৫০ শুরবা আর টি আই এক্টিভিষ্ট ভেনকাতেশপু মীয়াম মাঙদা মখোঙ অমসুং মখূৎ ককখিবনি। তুংদা মহাক অনকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। মহাক জুলাই ১৮দা হোস্পিটাল অদুদা শিখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রামনগর পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, প্রদীপ কুমার (৩৩), টি সী সতিশ (২০) অমসুং তেজাস কুমার (২২) ফারে অমসুং স্পেসল টিম অহুম্না কেস অদুগা মরী লৈনবা অতৈ এক্যুজশিং ফানবা কন্না হোৎনরি। টাভারেকেরে অমসুং মসিগী অকোয়বদা পায়খৎ-লিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মতাংদা আর টি আই এক্টিভিষ্ট ভেনকাতেশনা তোঙান তোঙানবা এপ্লিকেসনশিং সবমিট তৌখি। মহাক্না য়ালাচাগুপ্পেদা লৈবা গভর্ণমেন্টকী লমদা হেঞ্জিল্লকপগী মতাংদসু আর টি আই এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌখি।

## ফ্লায়িং স্কৱাদশিং শেন্নগনি

চেন্নাই, জুলাই ২০ (এজেন্সী): বিল্ডিংগী লেআওট নৎত্রগা এপ্রুভেল ভাইওলেট তৌবা থিংনবা হৌজিক হৌজিক শাবগী থবক চখুরিবা বিল্ডিংশিং য়েংশিন্নবা ফ্লায়িং স্কৱাদশিং শেন্নগনি হায়না টামিল নাদুগী হাউসিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর এস মুতুসামিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। ফ্লায়িং স্কৱাদনা পীবা রিপোর্টতা যূম্ফম ওইরগা অশোয়বা লৈরম্বশিং য়েংশিন্দুনা চুমথোক্কনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, হৌজিক্কী ওইনদি ওফিসলশিংনা থবক লোইরবা বিল্ডিংদমক ভাইওলেসন লৈব্রা লৈতব্রা খঙনবা ইন্সপেক্সন তৌই অমসুং ইন্সপেক্সন অদুগী মতুং ইন্না কমপ্লিসন সর্টিফিকেট পী। হৌজিক্তি ফ্লায়িং স্কৱাদশিংনা বিল্ডিং শাবগী তাঙ্কক খূদিংমক্তা সাইটতা চৎতুনা কন্সট্রক্সন য়েংশিনগনি অমসুং ভাইওলেসনশিং মার্ক তৌবগা লোয়ননা ইলিগেসন ওইবশিং থেংনরবদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা খঙহল্লগনি।

# কোভিদ অমসুং ভেক্সিনগী মতাংদা ওপোজিসননা লান্না শন্দোক্লে: পি এম মোদি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২০ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ অমসুং ভেক্সিন সপ্লায় ৱাৎপগী মতাংদা ওপোজিননা অরানবা ৱাফমশিং শন্দোক্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে অমসুং ওপোজিননা অরানবা ৱাফমশিং শন্দোক্লিবসি থেংননবা বি জে পিগী এম পিশিংদা আপীল তৌখ্রে।



বি জে পিগী পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ছোর্সশিংনা হায়, মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা পার্টিগী এম পিশিংদা অচুম্বা খঙহন্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং থমদুনা কোভিদ পেন্দমিক লাকশিন্নবা হোৎনবদা গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা থবকশিং মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবা আপীল তৌখি।

কোংগ্রেসনা অয়েৎ-অপন পীবগী ৱাখল্লোন্দা থাজে অমসুং দিবেট অমদি খন্ন-নৈনবা পামদে হায়না মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মীখলদা মায়থিরবা ফাওবদা কোংগ্রেসনা ইস্যু পুখৎপসু তৌদে, পার্টি অসিগী চাউথোক্লবা হোৎনবসু লৈতে। মখোয়না শুপ্পগী অয়েৎ-অপন পীবগী পোলিটিক্সতা থাজে অমসুং ইস্যুশিং খন্নবা পামদে। ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিং ভেক্সিন কাপ্পগী চাং নেম্মী হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা নুংনাংবা উৎখি অমসুং ভেক্সিনগী অৱাৎপ লৈতে হায়খি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, ওপোজিসননা পেন্দমিক্কী মরমদা পোলিটিক্স তৌদুনা লৈ অমসুং বি জে পিনা মীওইবা খুন্নাইবু লেপ্তুনা থৌগল তৌদুনা লৈরি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা পার্টিগী এম পিশিংদা মীয়ামদা অচুম্বদমক ঙাঙনবা অমসুং গভর্ণমেন্টকী থবক এক্সপ্লেন তৌনবা তকশিনখি।

বি জে পিগী এম পি খরগী মতুং ইন্না, মফম খূদিংমক্তা মায়থিরবসু কোংগ্রেসনা মশাগী খনবগী মহুত্তা ঐখোয়গীনা হেন্না খনবীদুনা লৈরে হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মহাক্না বি জে পিগী এম পিশিংদা চাং নাইনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম য়াওনবা অমসুং ওপোজিসননা হাউসকী ফ্লোরদা পুখৎলকপা য়াবা ইস্যুশিংগী মরমদা নোলেজ লৈনবা হোৎননবা আপীল তৌখি।

# কেরলাদা ভেক্সিন মপূং ফানা কাপ্লবা মেদিকেল মহৈরোয়শিং কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

থ্রিসুর, জুলাই ২০ (এজেন্সী): থ্রিসুরদা লৈবা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল হোস্পিটালগী ভেক্সিন মপূং ফানা কাপ্লবা মেদিকেল মহৈরোয় ৩৯ কোভিদ-১৯ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরে হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটি-শিংনা ফোঙদোরক্লি।



মেদিকেল কোলেজ অদু কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী লোকন্দাওননা মরম ওইদুনা মতম শাংনা থিংলুরবা মতুং জুন ১দা অমুক হাংখি অমসুং অহানবা বেটচকী মহৈরোয়শিং অদু জুন ৫দা কেম্পসতা রিপোর্ট তৌরখি।

অনীশুবা বেট্চকী মহৈরোয় ১৭৫ জুন ৬তা থুংলখি। মখোয়গী মনুংদা থেংনবা কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস নুমিৎতুমক্তদা কনফর্ম তৌখি। কেস মশিং হেনগৎলকপদগী ওথোরিটিশিংনা বেট্চ অদুগী মহৈরোয় খূদিংমক জুলাই ১৭তা টেষ্ট তৌখি। মখোয়গী মনুংদা মহৈরোয় ২০ ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইরমদুনা ময়ূমদা হলহনখি।

ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না, বেট্চ অহুমগী মহৈরোয়শিং ইগজাম চথুরিবনা মরম ওইদুনা কেম্পসতা লৈহৌরি। বেট্চশিং অসিগী মনুংদা মহৈরোয় ১৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি। জুন ৬ তগী পূন্না মেদিকেল মহৈরোয় ৩৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। মখোয় লোইনমক ভেক্সিন দোজ অনীমক কাপ্লবশিংনি হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটি অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখি।

পোজিটিভ ওইরবা মহৈরোয়শিং হোস্পিটাল অসিদা এদমিট তৌখি। মখোয় অখন্ননা এরেঞ্জ তৌবা কাশিংদা থিওরি ইগজাম থাহনখি। মখোয়দা নত্তনা মেদিকেল কোলেজ অসিগী কেম্পসতা লৈবা দেন্টেল কোলেজগী মহৈরোয় ১৭সু কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# রাজ কুন্দ্রা জুলাই ২৩ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীখ্রে

মুম্বাই, জুলাই ২০ (এজেন্সী): পোর্নোগ্রাফিক রেকেট অমগা মরী লৈননা মুম্বাই পুলিসনা ফারবা বিজনেসমেন রাজ কুন্দ্রা জুলাই ২৩ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীখ্রে।

বিজেনসমেন কুন্দ্রা বোলিৱুদ এক্ট্রেস সিলপা সেট্টিগী মপুরোইবনি। পোর্নোগ্রাফিক রেকেট চল্লাইরম্বগী ৱাফম অসি ক্রাইম ব্রাঞ্চ-সী আই দিনা থীজিল্লিবনি।

কুন্দ্রা - সেটুগী কম্পনিশিংগী টেক্নিকেল এস্পেক্টশিং য়েংশিল্লবা রয়ান জোন থার্পি স্কাম অদুদা চেন্নবা অমসুং মদুদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাংগা মরী লৈননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নবি মুম্বাইগী নেরুলদগী ফাখি।

মীওই অনী অসি মুম্বাই মেজিষ্ট্রেট অমগী মাঙদা পুথোকখি অমসুং মেজিষ্ট্রেটনা মখোয়বু জুলাই ২৩ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীখি। ইনৌ নৌনা টেকি অসি ফাবগা লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা ফাবা মী মশিং ১২ শুরে। পুলিসনা অতৈ সস্পেক্ট কয়াসু ফানবা হোৎনরি।

ওফিসল ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, ইনভেষ্টিগেটরশিংনা রেকেট অদুগা মরী লৈনবা য়াবা মেটরএলশিং, ৱাটসঅপ চেটশিং অমসুং অতৈ পোৎশকশিং থেংনরে। রেকেট অসিদা অতৈ মশক খঙবা অমসুং মশক খঙদবা মীওইশিংনা করি করি থৌদাং লৌনখিবগে হায়বা খঙনবা থীজিল্লি।

# ইনকম থ্রেসোল্ড লুপা লাখ ৮দগী হেলহন্নবা খন্নরি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২০ (এজেন্সী): এদ্যুকেসন অমসুং জোব রিজর্ভেসনদা চৈথেং লাক্কদবা খোঙথাং অমদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা আদর বেকৱার্দ ক্লাসেস (ও বি সী)গী ক্রিমি লেয়র ইনকম থ্রেসোল্ড হৌজিক চহীদা লুপা ৮০০,০০০ ওইরিবসিদগী হেনগৎপগী ৱাফম খন্নরি হায়না পার্লিয়ামেন্টতা ৱাহং অমগী অহবা পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট প্রতিমা ভৌমিকনা হায়খি, ও বি সীশিংগী মরক্তা ক্রিমি লেয়র লেপ্পবগী ইনকম ক্রাইটরিয়া রিভাইস তৌবগী প্রপোজেল অমা গভর্ণমেন্টনা খন্নরি।



মিনিষ্টরনা হায়খি, ও বি সীশিংগী সব-কেটিগোরাইজেসন য়েংশিন্নবা গভর্ণমেন্টনা থবক্তগী পোথারবা জষ্টিস জি রোহিনিনা চ্যেরপর্সন ওইবা কম্মিসন অমা শেম্লে। হৌজিক ফাওবদি কম্মিসন অসিনা গভর্ণমেন্টতা রিপোর্ট সবমিট তৌরক্ত্রি।

য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা ইনকম থ্রেসোল্ড লুপা মিলিয়ন ১.২দা হেনগৎহন্দুনা ইনকম ৱাংনা লাকপদগী কুমজা ২০১৭তগী ইনকম লিমিটকী মনুং চন্দ্রবা অহেনবা মীওই কয়া ও বি সী রিজর্ভেসনগী কান্নবা ফংহন্নবা খন্নরকপনি।

গভর্ণমেন্টনা চহীগী ইনকম লিমিট লুপা মিলিয়ন ১.৫ দা হেনগৎনবা খন্নবা লৈব্রা হায়না টামিল নাদুগী কোংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরিয়ন অমনা হংবদদি মিনিষ্টরনা পাউখুম পীখিদে। ক্রিমি লেয়রগী ইনকম লিমিট অসি চহী অহুম খূদিংগী হেনগৎলি। মমাঙদা গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১০দা লেপখিবা ইনকম থ্রেসোল্ড লুপা ৬০০,০০০তগী কুমজা ২০১৭তা লুপা ৮০০,০০০দা হেনগৎহনখি।

# 'মুসলিমশিংনা অপাম্বা মীদা ভোট থাদবা য়াই'

লক্নৌ, জুলাই ২০ (এজেন্সী): হান্নদগী লৈরক্লবা চৎনবীনা মান্নদবা খোঙথাং অমদা ওল ইন্দিয়া মুসলিম পর্সনল লো বোর্দ (এ আই এম পি এল বি)না ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্লুনা মুসলিমনা মীখলদা অপাম্বা মীশক নৎত্রগা পার্টি অমদা হেক্তা অয়েৎ-অপন লৈতনা ভোট থাদবা য়াই হায়খ্রে।

ভোটকা মরী লৈনবা অপাম-পামদগী মতাংদা এ আই এম পি এল বিনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোকপসি মসিনা অহানবনি। এ আই এম পি এল বিগী চ্যেরমেন মৌলানা রাবে হসানিনা হায়খি, মীয়াম্না ৱাখল মুন্না খল্লগা ভোট পীগদবনি। তৌইগুম্বসুং কনামত্তবু অকক্লবা পার্টি নৎত্রগা মীশক্তা নমদুনা ভোট থাদহল্লোইদবনি। এ আই এম পি এল বিনা পার্টি অমগী ফেভরদা আপীল তৌখিবা লৈতে, মতুংদসু তৌরোই।

মীয়াম্না ৱাখল তৌরগা মশানা খঞ্জবা মী নৎত্রগা পার্টিদা ভোট পীগদবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। মহৌশানা বোর্দ অসিনা পোলিটিকেল পার্টি অমবু শৌগৎলু নৎত্রগা শৌগৎকনু হায়না আপীল তৌখিবা লৈতে। তশেংনমক বোর্দ অসি পোলিটিক্সকা মরী লৈনদে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা মীওই খরনা থোকপা শেরান্ননা খলহনগদবা ৱারোলশিংগী মায়োক্তসু মুসলিমশিংদা ৱার্নিং তৌখি।

# দেল্লী পি দব্লিয়ু দিনা নোংজুথা মনুংদা ইঞ্জিন্নিয়রিং ষ্টাফকী লিভ কেন্সেল তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ২০ (এজেন্সী): নোং কন্না চুবদগী দেল্লীগী মফম কয়া ঈশিং থুম্বগা লোয়ননা মফম কয়াদা লম্বী নমথবনচিংবা থোক্লিবশিং য়েংদুনা দেল্লী গভর্ণমেন্টকী পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি)না সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবা ইঞ্জিন্নিয়রিং ষ্টাফকী লিভ কেন্সেল তৌখ্রে।

শুপ্পগী হকশেলগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং নৎত্রগা তঙায় ফদবা অরুবা ফিভমগী নত্তনা লিভ লৌখিবা ইঞ্জিন্নিয়রিং ষ্টাফ কৌখৎনবা অমসুং সেঙ্কসনতৌখিবা লিভশিং কেন্সেল তৌনবসু দিপার্টমেন্ট অসিনা ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা মফম কয়াদা ঈশিং থুম্বদগী লম্বী চথোক-চৎশিনদা চাওনা অকায়বা থোকখি। মথংগী নুমিৎ লৈবাকপোকপগী অয়ূক্তসু হান্নদগী ফিভম ফগৎপা উখিদে। মায়ুর বিহা, ভিকাশ মার্গ, প্রগতি মাইদান য়াওনা লম্বীগী মফম কয়াদা গাড়ী চৎপদা অকায়বা থোকখি।

কুমগী নোং য়ৌরকপা অসিনা হিটৱেভকী শাথিবা ফিভমদগী নেসনল কেপিটেলদা লৈরিবা মীয়ামগী অৱাবা কোকহল্লে হায়রবসু নোং কন্না চুবদগী হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা মীওই অনী ঈরাক্লদুনা শিখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী থৌদোক অমদা মশাগী চহী ৯ শুরবা নুপামচা অমা নর্লা এরিয়াগী হোলাম্বি কলমদা লৈবা সিৱর অমদা ঈরাক্লদুনা শিখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী থৌদোক অমদা মশাগী চহী ২৭ শুরবা নুপা অমা সাওথ দেল্লীগী পুল প্রহলাদপুরদা রেলৱে অন্দরপাস অমদা ঈরাক্লদুনা শিখি। নোং মরক্তা মীওই অদুনা সেলফি লৌনবা হোৎনবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিটি অসিগী খ্বাইদগী শাবা চাং নোর্মেলদগী দিগ্রী নিপাল হন্থরগা সেলসিয়স দিগ্রী ২৬.৫দা হন্থখি। মিনিমম টেম্পরেচরনা সেলসিয়ম দিগ্রী ২৪ ওইখি। মসিসু মতম অসিদা মহৌশাদগী থেংনরকপা চাংদগী দিগ্রী ৩ হন্থৈ। মেট দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না, ইরাই নুমিৎ ফাওবা নোং পানা চুবা য়াই অমসুং খ্বাইদগী শাবা চাং সেলসিয়ভ দ্রিগী ৩৫গী মখাদা লৈবা য়াই।

# কেস লাখ ১.৯৯ রেজিষ্টর তৌখি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২০ (এজেন্সী): নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোনা কুমজা ২০১৭ অমসুং ২০১৯গী মরক্তা দ্রগ ত্রাফিকিংগা মরী লৈনবা কেস ১,৯৯,৭১৬ রেজিষ্টর তৌখি হায়না গভর্ণমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা অনষ্টার ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা হোম এফেয়র্সকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট নিত্যনন্দ রাইনা হায়খি। মীৎকূপ নাহুম শিংনা লৈবা, নীংথিনা সর্ভিলেন্স তৌবা, মীয়াম্না কোওপরেসন পীবা, ছোর্সশিংনা পাউ পীরকপা, ফিল্ড ওফিসলশিংবু সেনিটাইজ তৌবা অসিনা লৈবাক অসিদা দ্রগ ত্রাফিক্কিংগা মরী লৈনবা কেসশিং রেজিষ্টর তৌবা হেনগৎখি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, নার্কোটিক্স দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোফিক সবষ্টেন্স (এন দি পি এস) এক্ট ১৯৮৫ কী মখাদা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুটিশিংনা চহী কুমজা ২০১৭, ২০১৮ অমসুং ২০১৯ দা রেজিষ্টর তৌখিবা কেস মশিং মথংশীননা ৬৩,৮০০; ৬৩,১৭৩ অমসুং ৭২,৭৭৯ নি। ৱাহং অদু লোক সভাগী এম পি কে মুরালিধরননা হংখিবনি।

# প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা ভেক্সিন থৈদোক্লে হায়না মরাল শীখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ২০ (এজেন্সী): কোইম্বাটোরদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা ভেক্সিন থৈরম্বগী মতাংদা মপূং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্লবা কোইম্বাটোরগী এম এল এ অমসুং বি জে পি মহিলা মোর্চাগী নেসনল প্রসিদেন্ট ভানাথি শ্রীনিভাসননা টামিল নাদু গভর্ণমেন্টতা তকশিনখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কোইম্বাটোরদা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা সিনিয়র লীদর অসিনা হায়খি, গ্রাসরূট লেভেলগী বি জে পি ৱর্করশিংনা মঙোন্দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পীরকপা ভেক্সিনশিং কোইম্বাটোরগী প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা থৈদোক্লে হায়না পাউ পীরক্লে।

চার্জ অসিগী মতাংদা মপূং ফানা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্লবা বি জে পি লীদর অসিনা দিমান্দ তৌখি।

মহাক্না হায়খি, মঙোন্দা পীরক্লিবা পাউ অদুগী মতুং ইন্না, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভেক্সিনগী চাকথুং মতিক চানা পীখি। অদুনা ভেক্সিনশিং অদু কদায়দা চৎখ্রে হায়বগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ইনভেষ্টিগেসন চথগদবনি। মহাক্না ৱাফম অসি কোইম্বাটোর দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা ভেক্সিন কোন্নদবা অমসুং মীওই কয়া অহিং চুপ্পা ক্যু লেপ্লবা ফাওবা ভেক্সিন কাপ্তুনা ময়ূমদা হন্নবগী মতাংদা পল্লকপদা ফোঙদোকখিবনি।

পেগাসস স্পাইৱেয়রনা স্নুপিং তৌবগী মতাংদসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অকূপ্পশিং ফোঙদোল্লগনি হায়নসু শ্রিনিভাসননা হায়খি।

শ্রিনিভাসন কুমজা ২০২১গী মীখলদা কোইম্বাটোর সাওথ এসেম্ব্লি সিটতগী মায় পাকখি। মহাক্না সুপরষ্টার ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ন ওইরকখিবা মক্কল নীধি মাইএম (এম এন এম)গী প্রসিদেন্ট কমল হাশনবু ভোট ১,৭২৮ হেন্দুনা মায়থিবা পীখি।

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 62,20,000+6,017 | 59,90,000+13,051 | 1,27,000+66 |
| Kerala | 31,70,000+9,931 | 30,30,000+13,206 | 15,408+58 |
| Karnataka | 28,90,000+1,291 | 28,20,000+3,015 | 36,197+40 |
| Tamil Nadu | 25,40,000+1,971 | 24,80,000+2,558 | 33,752+28 |
| Andhra Pradesh | 19,40,000+1,628 | 19,00,000+2,744 | 13,154+22 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+37 | 16,80,000+102 | 22,728+9 |
| West Bengal | 15,20,000+666 | 14,90,000+1,006 | 18,011+12 |
| Delhi | 14,40,000+36 | 14,10,000+58 | 25,030+3 |
| Chhattisgarh | 10,00,000+316 | 9,83,000+562 | 13,500+4 |
| Odisha | 9,56,000+1,648 | 9,33,000+2,248 | 5,116+58 |
| Rajasthan | 9,53,000+33 | 9,44,000+69 | 8,951+1 |
| Gujarat | 8,25,000+20 | 8,14,000+70 | 10,076 |
| Madhya Pradesh | 7,92,000+12 | 7,81,000+29 | 10,512 |
| Haryana | 7,70,000+30 | 7,59,000+56 | 9,605+6 |
| Bihar | 7,24,000+54 | 7,14,000+98 | 9,630+1 |
| Telangana | 6,37,000+746 | 6,24,000+729 | 3,764+5 |
| Punjab | 5,98,000+53 | 5,81,000+142 | 16,237+4 |
| Assam | 5,49,000+1,797 | 5,27,000+2,138 | 5,019+20 |
| Jharkhand | 3,47,000+64 | 3,41,000+53 | 5,122+2 |
| Uttarakhand | 3,41,000+34 | 3,34,000+52 | 7,357+1 |
| Himachal Pradesh | 2,05,000+125 | 2,00,000+163 | 3,507 |
| Goa | 1,70,000+99 | 1,65,000+225 | 3,111 |
| Puducherry | 1,20,000+42 | 1,17,000+125 | 1,778 |
| **Manipur** | **85,596+774** | **74,511+741** | **1,392+16** |
| Tripura | 74,389+488 | 69,269+410 | 729+1 |
| Chandigarh | 61,893+4 | 61,038+8 | 809 |
| Meghalaya | 57,775+387 | 52,787+323 | 955+10 |
| Arunachal Pradesh | 43,328+508 | 38,865+458 | 203+1 |
| Mizoram | 28,295+807 | 21,688+325 | 125+3 |
| Nagaland | 26,744+62 | 25,067+62 | 530+2 |
| Sikkim | 23,649+257 | 20,896+136 | 324 |
| Ladakh | 20,264+7 | 19,959+11 | 206 |
| Lakshadweep | 10,076+12 | 9,955+8 | 49 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,516+6 | 7,368+3 | 129 |

# পেগাসস শীজিন্নরগা ফোন টেপ্পিং তৌখি হায়বগী মতাংদা জে পি সী প্রোব দিমান্দ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২০ (এজেন্সী): ইজরেলি সোফৱ্যের পেগাসসকী খুৎথাংদা ফোন টেপ্পিং তৌখি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা ইন্দিয়ন য়ুথ কোংগ্রেস (আই ৱাই সী)গী এক্টিভিষ্ট চা-কয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তসু প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

মখোয়না সুপ্রিম কোর্টকী মীৎয়েং মখাদা ইস্যু অসিবু জোইন্ট পার্লিয়া-মেন্টরি কম্মিটি (জে পি সী) অমবু থীজিহন্নবা দিমান্দ তৌখি।

পেগাসসনা জর্নেলিষ্টশিং, ওপোজিসন লীদরশিং, গভর্ণমেন্ট মিনিষ্টরশিং অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী জজশিংবু লোন্না-থুপ্না শেন্নবগী মায়োক্তা আই ৱাই সীগী এক্টিভিষ্ট চা-কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখি। প্রোটেষ্ট অদু আই ৱাই সীগী নেসনল প্রসিদেন্ট শ্রিনিভাস বি ভিনা লুচিংখি।

অদুম ওইনমক, মখোয় পার্লিয়া-মেন্ট হাউস তম্না চঙশিনখিবা মতমদা দেল্লী পুলিসনা দিটেন তৌখি অমসুং সেন্ট্রেল দেল্লীগী মন্দির মার্গ ষ্টেসনদা পুখি।



য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টপু চৈরদুনা শ্রিনিভাসনা হায়খি, ঙসি কন্সটিট্যুসন অমসুং লো অনীমক গভর্ণমেন্ট অসিনা খোঙনেৎনরে।

দিমোক্রেসি খোঙনেৎনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী সিটিজন-শিংগী ফন্দামেন্টেল রাইটশিং নমথদুনা থল্লি। মহাক্না বি জে পিনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টপু লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবগী মরাল শীখি অমসুং নেসনল সিক্যুরিটিগী ৱাফম অসিদা শান্নে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধি য়াওনা লৈবাক অসিগী ওপোজিসন লীদরশিং তোঙান তোঙানবা মিদিয়া ওর্গনাইজেসনশিংগী জর্নেলিষ্টশিং অমসুং কন্সটিট্যুসনল ফম পায়রিবা মীওইশিং লোন্না-থুপ্না য়েংশিল্লে।

মালেমগী গভর্ণমেন্ট কয়ানা টেররিজম থেংনবদা পেগাসস শীজিন্নরি হায়না ইজরেলি কম্পনি এন এস ও গ্রুপ্না ক্লেম তৌরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরদা ওপোজিসন পোলিটিসনশিংগী ফোন টেপ্পিং তৌরগা করি ক্রাইম অমসুং টেরর থেংনরিবনো হায়না হংখি।

জর্নেলিষ্টশিংদা নত্তনা ওপোজিসন লীদরশিং অমসুং মশাগী মিনিষ্টরশিং ফাওবা লোন্না শেন্নে হায়বা রিপোর্টশিং মহাক্না পনখি।